# হাফলোংদা লৈহৌবী মীতৈ নুজাশিংগী থম্মোয়দা

**থম্মোয় পাউদম** ও সি মৈরা

থাজদনা নুংঙাইখিবশিংগী মনুংদা হাফলোং খোঙচৎসু অমনি। ইম্ফাল থাদোক্লগা সিলচরদা লৈরিঙৈ মতমনি। হাফলোংদা মীতৈ মহেরোয়শিংগী অচৌবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়না ইয়াম্বা সোমো লুৰাংনা খঙহনবীরকই। সোমো লুৰাং সিলচর রেদিও ষ্টেসনদা লৈনা লৈনা নেসনল ঠিএটর আসামগী লুচিংবসু ওইরিবা মীশকনি। ওক্সফোর্দ ইংলিস স্কুল, রোংপুরগীসু ওজানি। নেসনল ঠিএটরনা শুমাং লীলাগী লূপ অমা পুদুনা হাফলোংদা লীলা উৎলুগনি তাবদুদা য়াম্না চৎনিংখি। চৎকদবা নুমীৎতুদা সিলচর ট্রেন ষ্টেসনদা লীলা খুৎপুদু ঙাইদুনা লৈখি। নুংথিল পুং ৫.৩০ তাবদগী লমথাবা টেনদুদা লীলা কাঙবুদুগা তোংমিন্নদুনা টনেল ৩৩ লৈবা রেল লম্বীদুদা হাফলোং চৎখি। হাফলোংদা নুমীদাং পুং ২ রোম তাবদা থুংই। হাফলোংগী মীতৈশিংনা ঐখোয়বু ঙাইদুনা লৈরম্মী। চৎলমদাইদা লালহৌবগী ঈরাং লৈ হায়দুনা য়াম্না কিখি। য়ৌরগদি অকিবদু কদায়দা লোৎখ্রবগে থিফমবু খঙদনা মাঙখ্রে। চীং লমগী ফরবা লম্বীশিংদুদা খোঙনা চৎনা চৎনা মীতৈগী য়ুমশিং থিজখি। নোংলিক য়াওবা অঙৈংবা নুংশিৎনা য়ৈবদা আরোংমরাদা লৈহৌবী মীতৈ নুজাশিংনা মায়থোংদা হুমাং ইরিক কারগা লাইরিক পারমগদবদু নীংশিংখি। হাফলোংগী মীতৈ নুজাশিংনা শেৎলম্বা ফিজেৎ-চাকচাগা ইম্ফালগী মীতৈ নিঙোলশিংনা শেৎপা ফিজেৎকী মরমদা খঙগন্দবনা মান্ননা উবা ওইদ্রি। অদুবু ফদি-ফজে, নীংদি নীংথিজৈ হাফলোংগী মীতৈ নুজাশিংদো। মখোয়না মীতৈ ওইনা চাউথোকচনা লৈহৌবা ঙম্লিবা থম্মোয়দুবুদি করম্না তরাইনা লৌগনি।

হাফলোংদা মীতৈশিংনা কুমজা ১৯৪২ অদুৰাইদগী লৈরকখি হায়না লৌনৈ। হাফলোংদা মীতৈগী য়ুম ঙাক্তনা পুন্না লৈবা খুন অমা নৎত্রগা লৈকায় অমা হায়বদুদি লৈত্রি। তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংগা পুন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরি। মীতৈশিংগী য়ুম হাফলোংগী কৈথেলগী অকোয়বদা নম্না তাই। হায়জনিংলিবদি য়াম্না লাপখিবা লম্বী থোং খুদোংচাদবা মফমশিংদা লৈনদে হায়বসিনি। য়ুম্লে-কৈরৈ তরু-তরুনা লৈনবা ঙাক্তনি। চীংগী লম ওইবনিনা রিক্সো উদে। ওটোরিক্সোদি মরাং কায়। জিরিবামদগী মতম অমদা নেসনল ঠিএটর আসামগী কুম্হৈ লূপতা য়াওদুনা গিটর খোংলম্বা প্রেমসু মফমদুদা ওটোরিক্সো থৌদুনা মোমোন নোক্লা হিংহৌরি। ওটোরিক্সো থৌবা অমা ওইনা লৈহৌরিবা খুম্বোংময়ুম কুমারধোনসু হান্না গভর্ণমেন্টগী থবক তৌরম্মী। পুকচেল চাউবা, থম্মোয় শেংবা মীশক অমা হায়বা তারগদি কুমারধোননি। থম্মোয় শেংবা অহল অমগী




ইমুং-মনুংদা হাফলোং কৈথেলগী মনুংদা লৈবা হায়বসি মীতৈগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক ফবা অমনি। অৰাং কছার, চীংলমসিগী অঙৈংবা ঈশিং-নুংশিৎ মরক্তা লৈনবগীদমক ইহান হান্না য়ুম লিংদুনা লৈখিবা মীতৈ ইমুংদি মেরাগী ইমুং-মনুংনি। তিলাবস্তি হায়না খঙনখিবা মফমদু হৌজিক্তি হাগজার নগর হায়না খঙনরে। মফমসিদনি মেরাগী ইমুং-মনুংগী লৈফম। মেরাসি সিল্লেট (বংলাদেশ)তগী লাকপা নুঙ অমসুং চেক্কী থবক শুদুনা লৈরম্বা, শিনফমদা মায় পাক্তুনা কন্ট্রেক্টর (ঠিকাদার) ওইরকখিবনি। হাফলোংগী লৈবাক্কী অৰাংবা ফম পায়বা মীওই কয়াসু য়াওরক্লে। অৰাংবা ফম পায়দুনা অতোপ্পা মফমদা লৈনখিবসু য়াওরে। লাইশ্রম রদ্রোজিৎনা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুপলাকপা ফাওবা ওইরে। লাইশ্রম চিংথংখোম্বা মচিন চৎপা ওফিসার ওইনা অদুগা লাইশ্রম লৈখোম্বনা লৈবাক্কী লান্মী (আর্মি) ওইনা থবক তৌরি। থিঙোম রোবিচন্দ্রকুমারগী মনাও বিশ্বজিৎনা এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার ওইনা শিল্লোংদা লৈরি। হাফলোং নিঙোল রঞ্জিতাসু এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার ওইনা গুৱাহাতিদা থবক তৌদুনা লৈখ্রে। কোন্সম দয়ামোইনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদগী পি এচ দি দিগ্রী লৌরকখ্রে। লোয়নমা রুনিতানা জোরহাত এগ্রীকলচর য়ুনিভর্সিটিদগী জ্ঞান লৌশিং তানশিল্লকখ্রবনি। অসুক য়াম্না মচু তাবা ৰাংখৈ ফিগী মাইনসিবু ঐগী মীতৈ নিঙোলনিকো। চীংলৈবাক্কী মীতৈ নিঙোল। ইম্ফালদগী তামখ্রবা মীতৈ নিঙোল নখোয়গী চেংলৌ উরগাঐনা কয়াদা পেঞ্জখিবা। মখোয় উরগা চাউথোকখিবা থম্মোয় অদুবুদি কনানসু খঙলম্লোই। মেংয়া সম্বুধোর রাজিদা লৈবা পাবুং মধুগী মচানুপা অনী দভিদ অমসুং রোই মচিন-মনাওগী ময়াম্বা অমনি খন্না উৎলকখিবা মীনুংশিদুবুদি করম্না হেক কাউথোক্লুগনি। ইনাও অনীগী তুংগী ওইরক্কদবা পুন্সিগী ৰাখলদা হিংহৌরিবী পাঙ্গল শোল্লবী ইমাদুবু হৌজিক কমদৌরমগদগে খল্লুবদা অহিংদা লৈতাফম খঙদে। করিগীনো খঙদে হাফলোংবু য়াম্না নুংশি। মখোয়গী অচম্বা থম্মোয়, নোল্লুকপা মতৌনা হুখিবা থম্মোয় ওইরিদ্রা।

হাফলোং গভর্ণমেন্ট কোলেজদা মীতৈ নিঙোল সুনিতানা লমতাকপী ওইহৌই। মীতৈ মহেরোয় নিপাননা মহেরোয়শিংগী লৌফম থোকপা থৌদাং লৌহৌই। চেফোঙ ভিজনদা শৈরেং হাপ্পা হৌহৌরে। য়ুম্নাক ৪৮ লোম লৈরবা হাফলোং মীতৈশিংগীদমক্তা ওল আসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন এন সি হিলস দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা নীংতম্বা কৌবা থা ৩/৩ গী চেফোঙ অমা পুথোকখ্রে। অদুবু থাগী, থাখায়গী, চয়োলগী, নুংতিগী চেফোঙ নৎত্রগা পাউচে অমত্তা মীতৈলোনদা পুথোক্লবগী মমি তমদ্রি। হাফলোংদা দ হাফলোং টাইমস কৌবা ইংলিসকী ওইবা চয়োলগী চেফোঙ অমদি মথৌনা লৈনা নারিন চেংগুম-গুম লিংখৎহৌরে।

হাফলোং শেম্তোক লম্বী লৈবা লমদমনি। মরমসিনা মীতৈশিংসু ৰানা নোপ্পা হিংবগী মমি তাদে। ৰাৎলিবদি মীতৈগী লাইবুং, মীয়ামগী লাইরিক শঙ, মীতৈ অথৌবশিংগী য়ুম্বী, মপুং ফাবা মীতৈগী ওইবা কুম্হৈ লূপ, মীতৈশিংগী ওইবা মীথুংশঙ নৎত্রগা মীয়াম পুনবা চনবা অচৌবা শঙ অমা ফাওবা থম্বা ঙমদ্রিবসিনি। মশাগী লাইরিক ফোঙলবা অইবা থোক্লক্ত্রি। মীতৈলোনগী লাইরিক য়োনফম থেল লৈত্রি। মীয়াম্না শকখঙলবা লোইনশিল্লোনগী লূপ শেম্বা ঙমদ্রি। মরমসিনা মায়কৈ অসোমদা হাংলিবা অৰাৎপশিংসি মতৌ করম্না মেনশিনগদগে হায়না লৈবাক্কী থবক তৌনিংবশিংনা খনবীবা চুম্লে। হাফলোংগী মীতৈশিংগীদমক্তা নেসনল ঠিএটর, আসামগী কুম্হৈরোয়-শিংনা মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারি ৫ গী য়াচঙলকপদা লৈরোনুংদা থম্বাল য়েংহনখি। কছারদা লৈবা কুম্হৈগী খুৎপু অমনা শুমাং কুম্হৈ অমা মতম চানা য়েংহনখিবদুগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্লা মখোয়দা তৌবীমল খঙবা উৎফম থোকই। ইম্ফালগী শুমাং কুম্হৈগীদমক চেল্লি চোংলিবশিংনসু হাফলোং তম্না চঙশিনবগী মতম তাঞ্জা হেনখিগদৌরে। হাফলোংগী মীতৈশিংনা লেল্লিবা নুংঙাইবগী পুন্সি মরেল মরক্তা তৌমিন্নবা য়াবা করি লৈরি হায়বদু মালেমদা লৈরিবা মীতৈশিংনা খন্নমিন্নফম থোক্লে।

# নলিনিনা শেম্বা সঙ্গীতাগী সোলো দান্স উৎকদৌরি



অসেম বেবিচা

জগোয় হায়বসি অৰাংবা আর্ট মখল অমনি। মীৎকী কুম্হৈ ওইনা লৌবদা লান্না চৎখিগদবা লৈ। জগোয় হায়বা আর্ট মখল অসি লাইরম্লেন অমসুং মীরম্লেন অনীমক শমজিন্নবা ঙম্বা আর্ট মখল অমনি। মরম অসিনা জগোয় হায়রিবা আর্ট অসিদা থকশি-খাশি, ৰাঙাঙ-শাঙাঙ, চৎন-লোনচৎ নীংথিনা য়াওরি। মণিপুরী জগোয়না মণিপুরবু মালেমদা শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। হৌজিক্তি জগোয় হায়রিবা আর্ট অসিবু পামজবা অমসুং মসিগীদমক্তা কথোকপা ঙম্বা মীওই কয়া লেপ্পা লৈতনা থোরক্লিবশিংগী মনুংদা ইরেংবম নলিনিসু অমনি।

জে এন মণিপুরী দান্স একাদেমীগী জগোয় রাসকী লোয়শঙদা লৈরিবী অসিনা কোরিওগ্রাফ শেম্বা *রূপ প্রাথনা* হায়রিবা জগোয় মখল অসিগী সোলো পাফোর্মেন্স হয়েং ফেব্রুৱারি ১৩ দা উৎকদৌরি। সোলো দান্স অসিগী আর্টিষ্টনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী মহেরোয় অমা ওইনা লৈরিবা থোকচোম সঙ্গীতানি। একাদেমী অসিনা অখন্ননা পুথোকপা জগোয় অসি জগোয় মরুপনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সোলো দান্স ফেষ্টিবেলদা উৎননবা হোৎনবা অসিদা মরী লৈনবশিংনা থৰায় য়াওনা হোৎনবগী মমি তারে। হৌজিক মণিপুরদা সোলো দান্সকী অকনবা ঈহৌ লৈরক্লে। নাইতোম জগোয় শাবনা অয়েংবশিংদা মীৎ চোইহন্দনা য়েংবনা পীনিংলিবা পাউজেল অদু মপুং ফানা ফংবা ঙমগনি হায়না লৌনবদগী সোলো দান্স পামখৎলকপগী চাং হেনগৎলকপা ওইগনি হায়না লৌনরি।

*রূপ প্রাথনা* হায়রিবা জগোয় অসি দসকুশা তালদা মরুওইনা শাগদবনি। তাল অসিগী মথক্তা তালচপ অমদি মেংক্রুপ তালগী শরুক খরসু য়াওগনি। রাধা গোবিন্দগী ফজবা মশক উৎথোক্ল বগী পান্দমদা জগোয় অসি নলিনিনা অখন্ননা কোরিওগ্রাফ তৌবনি। উৎকদৌরিবা জগোয় অসিগী ম্যুজিক দিরেক্টরনা একাদেমী অসিগী ওজা ওইনা লৈরিবা খুন্দ্রাকপম রামেশকুমারনি। পুঙ, ঈশৈগী লমদনা তাওরেম য়াইস্কুলনা থৌ পাংলি। অখন্ননা শেম্বা জগোয় অসি মীনিট ৩০ রোম শাংনা হন্দক্তা ষ্টেট কালা একাদেমীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সোলো দান্স ফেষ্টিবেলদা সঙ্গীতানা পাফোর্মেন্স পীবা লৈখ্রে।

নাইতোম জগোয় শাবা হায়বসি জগোয় শাগদৌরিবা আর্টিষ্টকী ওইনদি খ্বাইদগী অৰাবা অমনি। মথন্তনা শাংখ্রবা মতম অমা মীয়ামগী মীৎ চোয়হন্দনবা হোৎনগদৌরিবনি। তাল অমদি শাথেক-খুৎথেক খরদং কায়বদা অয়েংবশিংনা ইরায় লায়না উগদৌরিবনি হায়না জগোয় অসিগী শেম-শারিবশিংগা পাউমীশিংগা উনবদা নলিনিনা ফোঙদোরকখি।

জগোয়দদি এস্থেটিক ভেল্যুশিংবু মীয়ামদা মপুং ফানা খঙহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। জগোয়না চেকশিন্না উৎতুনা মণিপুর কলচরগী তাঙলবা মচলশিং মীয়ামদা উৎথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অসিনা মতম চঙনা সোলো দান্স অসি পানখৎপনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোরকখি। সোলো দান্সনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা উৎপদা হেন্না খুদোংচাহল্লি। আর্টিষ্ট অমখক্তমক ওইবনিনা চথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাবতা নত্তনা ফেষ্টিবেল অমদা শরুক য়ানবগী তাঞ্জাসু য়াম্না ফংই। মরম অসিনসু সোলো দান্স পাম্ন রকপগী মরুওইবা মরমনি হায়খি। সোলো দান্স অসিবু পাফোর্ম তৌদুনা মীয়ামদা য়েংহনগদৌরিবী থোকচোম সঙ্গীতা শিংজমৈ থোকচোম লৈকায়দগীনি। থোকচোম শামুঙৌ অমসুং থোকচোম ওংবী চাওবীগী মচানুপীনি। জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীনা পি জি সেকেন্দ ইয়ার তন্লিবী মহেরোয়নি। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা বাল শ্রী এৱার্দসু ফংখ্রে। মহাক দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী লমদা অৰাংবা থাক্কী লৌশিং তানশিল্লবী অমনি। মহাক্লা ফোঙদোরকপদা, আর্টকী লমদা খোঙদাবা অসিনা মোরেল অমসুং দিসিপ্লিন তমশিনবদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লি। জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওজাশিংনা নুংশিবীবদগী একাদেমী অসিগী মহুৎ শিন্দুনা সোলো দান্স শাবা ফংবা অসি অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই। মসিনা হেন্না হৈনিংহনবতা নত্তনা মখা তানা হোৎননিংবগী অপান্থসু ফাওহল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। সঙ্গীতা মণিপুরগী ৰাংমদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা জগোয়গী ওইবা অচৌবা থৌরমশিংদা জগোয় শাদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকখ্রবী অমনি। লাইরিক তম্মা তম্মা জগোয়গী ওইবা লৌশিং কয়া লেপ্পা লৈতনা তানশিল্লিবীনি।



# খোইহীনা হকচাংদা পীবা কান্নবশিং

লৌশিং পুক্কে

পৎপ-পুম্বা নাইদবা, মতম চুপ্পা ইনৌদা নৌদুনা লৈরবা পোৎলম অমত্তং হায়বা তারবদি খোইহীনি। বৃটেনগী রিছার্চরশিংনা খোইহীগী মরমদা মতম শাংনা থিজিন্দুনা লাকখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা মহীক মতাই হাৎপা ঙম্বগী মগুন চেল্লিবা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বা খঙলে।

ফ্যুসারিয়ম কৌবা ফঙ্গস অমনা মীওইবগী মীৎ তাঙহল্লকই। কনাগুম্বগী পুন্সি ফাওবা মাঙনিংঙাই ওইহল্লকই। পাম্বী মখল খরা অমদি লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা ফঙ্গস মখল অসি খোইহীনা অরায়বা মওংদা মাঙ-তাকহনবা ঙম্মী হায়বা রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা খঙলে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফঙ্গস অসিগী সেল ৱাল থুগায়বা ঙম্লিবা খোইহীবু অনা লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর জেন হবিব অলহিন্দিনা হায়খি, মতম শাংনা ওইশিনবা ঙমদ্রবা অশোকপা মফমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মসিদগী ঙাকথোক্লবা তঙাইফদবা ব্রোদ স্পেক্ট্রম এন্টিবাইওটিক চাবগী মথৌ তারকই। অশোকপা মতমদা মাইক্রোওর্গানিজমশিংগী অপাবা কুয়োম (বাইওফিল্ম) অমনা কূপশিনখিবদগী ওইশিনবদা ৰানা থোকই। অদুবু খোইহীনা হায়রিবা বাইওফিল্ম অসি নমখায়বা ঙম্বনিনা অশোকপা ওইশিলহনবদা চাউনা মতেং পাংই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি। কৈথেলদা ফংলিবা এন্টিফঙ্গেল মেদিসিন খরদগী খোইহীনা ফবা হেল্লি হায়বসি হন্দক্তা থিজিনবদগী খঙলকপনি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, ফঙ্গেল ইনফেক্সন ফহনবা ঙম্লিবা খোইহীবু অফবা মখলগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। খোইহীনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। লোক খুবদগী হৌরগা অশোকপা ওইশিলহনবা অমসুং ইনফেক্সন মায়োক্লবা অসিনচিংবা কয়া কয়ানি।

কনাগুম্বা হকচাংগী অৰুম্বা হন্থহন্নিংবশিংনা অথুম্বা চানিংলকপা মতমদা চিনিগী মহুত্তা খোইহী ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অদুবু খোইহীদসু চিনিগী শরুক য়াওবনিনা ময়ায় ওইরপ্পা চাংনা শীজিন্নবা মথৌ তাই। অয়ুক খুদিংগী চাকখাউ হাংলিঙৈদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা চম্প্রা মহী শুমজিল্লগা খোইহী খরা য়ানশিন্দুনা থকপা অসুক্কী মতিক ফৈ। কনাগুম্বা হকচাংগী অৰুম্বা হন্থহন্নিংবশিংনা চা অমদি খোইহী থকপদা চিনিগী মহুৎ খোইহী ওইনা শীজিন্নবা কান্নগনি।

এন্টি-ওক্সিদেন্ট অমসুং এন্টি-বেক্টেরিয়লগী মগুন চেল্লিবা খোইহীনা দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম ফহন্দুনা হকচাং ফহনবগা লোয়ননা কেন্সর অমদি হার্ট দিজিজনচিংবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকই।

দর্মাটাইটিস অমসুং লুপৌ ফহনবা ঙম্লিবা খোইহীদা ভিটামিন অমদি মিনরেল মরাং কায়না য়াওই। ব্লদ প্রেসরসু চাং অমদা লেঙদনা লৈহনবদা মতেং পাংই। তূম্বা য়াগন্দবা অমসুং তোয়না মীৎকপ থোক্কনবা অঙাংশিংদা চাং নাইনা খোইহী পীথক্লবদি মপুং ফানা তূম্বা য়াহল্লি। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি অশোকপা ওইশিলহনবগী মতাংদনি। হিরম অসিগী মতাংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর জেন হবিব অলহিন্দিনা হায়খি, হকচাংগী মফম অমদা অশোক অপন য়াওরকপা মতমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা ওইশিনবদা তপথহল্লি। অশোকপা মফমদা খোইহী তৈরবদি ফঙ্গস পুম্নমক লৌথোকখিদুনা অশোকপা ওইশিলহনবদা মতেং পাংই। অদুম ওইনমক ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমদি তোঙান তোঙানবা সুপরফিসিয়ল ইনফেক্সনশিংদা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা মখা তানা থিজিনগদবা ৰাৎলি।

অদুম ওইনমক কুইনা লায়জৌদুনা লৈরবা অশোকপা মফমদা খোইহী তৈবা ফৈ হায়বসি রিছার্চরশিংনা কূপ্না থিজিল্লবা মতুংদা খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, মাইক্রো ওর্গানিজমশিংগী অপাবা কুয়োম অমনা কূপশিনখিবদগী অশোকপা মফম ওইশিল্লত্তবা মরম্না লায়জৌরকপনি। করিগুম্বদা মহীক মতায় চঙখিবদগী লায়জৌরকপসু য়াওই। অদুবু অয়াম্বা মতমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা অশোকপা খুদিংমক ওইশিনবা ঙমদবনি। ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমদি তোঙান তোঙানবা সুপরফিয়িল ইনফেক্সনশিংদা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা হোৎনরি।



# মীতৈ সিনেমা, আসামদা ভিদিও ফিল্ম

হাও অমর, বনতারাপুর

হৌজিক্কী মতম নহারোলশিংনা থোইদোক্লা খোইদাজবা কুম্হৈদি সিনেমানি। হৌজিক ফাওবদা পুথোকখ্রবা মীতৈলোনগী সিনেমাগী মশীং ফনা য়াম্লে। মীতৈলোনগী ফিল্ম অহানবা *মাইনু পেমচা* নি। অদুবু কুমজা ১৯৭২ দা ব্লেক এন্দ হ্বাইট ওইনা কে টি ফিল্ম ৩৫ এম এমদা করাম মোনমোহননা প্রদ্যুসর ওইদুনা *মতমগী মণিপুর* ইহান হান্না পুথোকখি। ফিল্ম অসিগী ৰারী এ সমরেন্দ্র, দিরেক্টর দেবকুমার বোস অমসুং ম্যুজিক এ শ্যাম শর্ম্মানি। অসুম্না মথং মথং পুথোরকপনা ১১ শুবা মশিং কুমজা ১৯৮১ দা *সনা কৈথেল* প্রদ্যুসর থৌদাম দরেন্দ্র, ষ্টোরি এন্দ ম্যুজিক এন পহাড়ীনি। মসিগী মমাঙ ফাওবা মণিপুরদা কলর ফিল্ম পুথোক্লমদে। লৈতা লৈতা পুথোকচবা ফিচর ফিল্মশিংদু ব্লেক এন্দ হ্বাইট ওইজরবসু ফুরুপকী থাক্তা অমসুং রজত কমল মনা ফংবা ফিল্মগী মশিংদি মরাং কায়খিরম্মী। কুমজা ১৯৭৭ তা এন এস ফিল্মনা পুথোকখিবা মঙাশুবা মণিপুর ফিচর ফিল্ম *শাফবী* জি নরায়ন শর্ম্মানা প্রদ্যুসর ওইখি। মদুগী অইবা অমসুং স্ক্রিন প্লে এস বরমনি সিংহনি। তরেৎশুবা ফিল্ম (১৯৮০) *ওলাংথাগী ৱাংমদসু* জি নরায়ন শর্ম্মগী এন এস ফিল্মগী মখাদা পুথোকখি। মদুগী অইবী এম কে বিনোদিনি অমদি দিরেক্সন এ শ্যাম শর্ম্মানি। থংনবা মশিং নিপান (১৯৮১) এক্স-সাইন প্রদক্সনস প্রদ্যুসর কে ইবোহল শর্ম্মা, ষ্টোরি অমসুং স্ক্রিন প্লেদা এম কে বিনোদিনি, দিরেক্টর এ শ্যাম শর্ম্মা, ম্যুজিক কে ঐচ জয়কুমারনা পীখিবা ফিল্ম *ইমাগী নিংথেম* নি। ইমাগী নিংথেম নেসনল অমসুং ইন্টর্নেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা গারন্দ পিছ ফংলকখি। কুমজা ১৯৮২ ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা চহী ৮ তা শুরিবা লৈখেন্দ্রনা বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্ট ওইদুনা মীতৈ মচা ময়ামগী চাউথোকচনিংঙাই ওইবা অচৌবা ফম অমা কনখি। মথক্তা পঞ্জখিবা মশীং ১১ শুবা ফিল্ম *সনা কৈথেল* সু ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা মনা লৌরকপা অমনি। ১২ শুবা মণিপুরী ফিল্মদি মচু শংলবা অমা ওইখি। তৌবতবু ১৬ এম এমগী পর্দাদা শেমখি। ফিল্মগী মীংদি *পাউখুম অমা* (১৯৮৩), মসিসু এম কে বিনোদিনিগী ৰারী অমসুং এ শ্যাম শর্ম্মগী ম্যুজিকনি। পুথোকখিবদি ফিল্ম দিভিজন ওফ ইন্দিয়ানি। ১৩ শুবা *থাবা* (১৯৮৪) ব্লেক এন্দ হ্বাইট, ১৬ এম এম চহীসিমক্তদা *য়াইরিপোক থম্বালনু* (১৯৮৪) ব্লেক এন্দ হ্বাইট ৩৫ এম এম প্রদ্যুসর ঐচ গেহেন্দ্রনি। মতুং পুথোরকখিবা ফিল্মশিংদি ১৬ শুবা মশিং *ইচেশক্কি* (১৯৮৬) প্রদ্যুসর টি ঐচ দরেন্দ্র ফিল্মসিদগী হৌরদুনা সিরিয়েল নম্বর ৪৯ শুবা মশিং *ইস্থোক্লবী* দিরেক্টর ও তোম্বা ফাওবসি মচু শংবা কলর ঙাক্তা ওইনা পুথোক্লরকই। ময়ামসিগী মনুংদা এৱার্দ ফংখিবা খরদুগী মনুংদা অমা অনীগী মমিং খরা পঞ্জরি, ১৮ শুবা মশীং (১৯৯০) গুৱাহাতি দুরদর্শননা পুথোকখিবা ৰারী এম কে বিনোদিনি দিরেক্সন অমসুং ম্যুজিক এ শ্যাম শর্ম্মানি। ঈদগী অঙাং ওইরবা মীতৈ ফিল্ম প্রদ্যুসর থোকচোম থৌঙম্বা অমসুং থৌয়াংবা মচিন-মনাওনি। *মায়োফিগী মচা* ২৫ শুবা মশীং (১৯৯৪) পি কে ফিল্ম ৰারী অমসুং স্ক্রিন প্লে এম কে বিনোদিনি মসিনা মচিন-মনাওগী অনীশুবা মণিপুরী ফিল্ম ওইখি অমসুং এৱার্দ ফংখি। তৌবতবু মসি ফিল্ম *খোম্থাং* গী মতুংনি।

কুমজা ১৯৭৪ দা মচিন-মনাও (থোকচোম থৌয়াংবা অমসুং থৌঙম্বা), ময়াম্বা চহী ২১, মনাও চহী ১০, মখোয় অনী ইম্ফাল টোকিজগী ফ্রন্ট ক্লাসতা অনীশুবা ফম্ফমগী পরেংদা ফমদুনা নরায়ন শর্ম্মগী অহানবা ফিল্ম *লমজা পরশুরাম* ফিল্ম য়েংখিবা (দিরেক্সন অমসুং ম্যুজিক এ শ্যাম শর্ম্মা) মীওইশিংনি। মপুন্সিগী হোলদা সিনেমা য়েংবা অহানবা মচিন-মনাওনি। নুমীৎতুদা মনাও অপীকপনা ময়াম্বদা ইশাগী ওইবা ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনসি হায়খি। অঙাং ওইরিবা অমসুং লায়রবা মচিন-মনাওনা ফিল্ম পুথোক্লবা ৰাশকখিবা অমসুং হোৎনজখিবদু ঈশ্বরনসু মতেং পীখি। মরম অদুনা মখোয়গী অহানবা ফিল্ম *খোম্থাং*, মরিপুরী ফিল্ম মশিং ২১ শুবা, মচিন-মনাওগী ৰাশকখিবা চহী ১৮ গী মতুংদা তাইবঙদা ফাওরকখি। মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ফিল্ম প্রদ্যুসরগী ফম অদু ইরায় লায়না মখোয়না লৌবা ঙমখি, মসিসু চাউরবা পুৱারী ওইরবা য়াই।

২৭ শুবা মশিং এন এফ আই সী দুরদর্শননা পুথোকখিবা *সনাবী* (১৯৯৫) এম কে বিনোদিনিগী ৰারীদা দিরেক্সন অমসুং ম্যুজিক এ শ্যাম শর্ম্মানা তৌবনি।

মণিপুরী কাঙলুপ, মশিংদা লীকচরবসু ফিল্ম পুথোকপগী চাংদি হেনগৎলক্লি হায়বা য়াই। অদুবু কুমজা ১৯৮১ গী মমাঙদা পুথোকখিবা ব্লেক এন্দ হ্বাইট ফিল্মশিংনা ফংখিবা এৱার্দকুম মতুংদা মচু শংলবা ফিল্মশিংনা এৱার্দ লৌরকপদি লীকথরক্লি। চহী কয়াগী মতুংদা মণিপুরী ফিল্ম ৪১ শুবা *সঙাই* প্রদক্সন, প্রদ্যুসর অমসুং দিরেক্টর মাখোনমনি মোংশাবগী *চৎলেদো ঐদি* (২০০০) ফজবা টেক্নিক শীজিন্নদুনা পুথোকখিবা ওইবনা মণিপুরী ফিল্মগী মমল খঙহেন হেনগৎহনখি। প্রমান ওইনা ৪৮ শুবা নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ফংখিবদুনা শাক্সিনি। ৪৮ শুবা রজত কমল টু দ প্রদ্যুসর এন্দ দিরেক্টর মাখোনমনি মোংশাবা ফোর দ বেষ্ট মণিপুরী ফিল্ম *চৎলেদো ঐদি।*

Citation : The award for the best feature film in Manipuri is given to "CHATLEDO EIDEE". The film narrates a complex love story in a simple manner and reflects the flavour of the land beautifully.

মসিগী তুংদা ফিজিগী মনিগী পুৱারীসু হাপচিনখ্রে। মসিনি মীতৈ সিনেমাগী চাউরাকপা পুৱারীনি। মশীং লীকপা ফুরুপ, শেল মতিক চানা পায়জদবা কাঙলুপ ভারতবর্ষগী অৰাং নোংপোক চীদাইদা সনথোং ওইরিবা মণিপুরনি। মীতৈ সিনেমা চাউখৎনবা হোৎনবীদবা, ফিল্ম ইদিটিংগী মেছিন লৈতবা লমদম, সাউন্দ ট্রান্সফর ফেসিলিটিসকী খুদোংচাদবা মফম, মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসননা কেমেরাগী ভারা হেন্না লৌবা, ক্যের টেকর মশিং হেন্না থাজিল্লকপনা মরম ওইদুনা প্রদ্যুসরগী খচর ৰাংহনবা, সিনেমা ফোটোগ্রাফিগী খুদোংচাদবা কয়া মণিপুরদা লৈজরবসু আর্ট পামজবা ফুরুপ অমা ওইবনা নীংহন্নবা লৈতনা মণিপুরী মচাশিংদা ফজবা ফিল্ম কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি। মসিগীদমক মণিপুরী ফিল্মগী মায়কৈদা লৈরিবা ওজাশিংবু থাগৎতবা ঙমজদে।

মণিপুরী পুম্বা অনীশুবা রাজ্যদি আসামনি। লাইবক ফবদি মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা ইচিল ইনাওশিংনসু (আসামগী) মণিপুরী ফিল্মগীদি পুৱারী শেম্লকখি। ঈখৌলাংলবা মঙাল কৌবা হাও অমরগী লাইরিক অমনা। লাইরিক অসি 3rd All Assam Manipuri Short Play Competition of Theatre Seminar 1988 দা শরুক য়ারুবদা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট ওইনা খনখি। মথংদা লাইরিকসিমক নিংতম আর্টিষ্ট এসোসিএসন, আসামগী আর্টিষ্ট খুপুনা, হাও অমরগী দিরেক্সন অমসুং প্রদক্সন মখাদা কুমজা ১৯৯১ গী এপ্রিল ৭ তা মপুং ফাবা ভিদিও ফিল্ম অমা ওইনা সিলচর সংস্কৃতি ভবনদা কছারগী মতমদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অরুন কুমার, আই এ এসনা চীফ গেষ্ট অমসুং এস ধবল সিংহ, এক্স-প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

মীয়াম মাঙদা রিলিজ তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। ঈখৌলাংলবা মঙাল আসামগী অহানবা মণিপুরী ভিদিও ফিল্মনি। দেপ্যুটি কম্মিস্নার অরুন কুমারনা হায়খি, ঐ ঙসি ফাওবদা ফিল্মগী মীওই অমত্তংগা ফোটো পুন্না কাপমিন্নখিদ্রি, ঙসিদি ভিদিও ফিল্মগী লময়ানবা, দিরেক্টর, প্রদ্যুসর, অইবা হাও অমরগা পুনবগী, অসিতসু নত্তনা ফিল্ম অমা রিলিজ তৌবগী খুদোংচাবা ফংলে। মসিমক লাইবক ফবতা নত্তনা পুন্সিগী কাউররোইদবা নুমীৎনি।

অতোপ্পা মফম জিরিবাম ম্যুনিসিপালিটি হোলদা হুল্লা শঙলেনগী নহারোলনা হোৎনবীদুনা ফিল্ম অসিবু নুমীৎ অসিমক্তদা মঙারক হন্না কাপ্পুনা টিকেট সিষ্টেমদা রিলিজিং সেরিমোনি পাঙথোকখি। রিলিজ তৌবীখিবা লমদমদুগী স্কুল ইন্সপেক্টর অমুনা রিবোন ককপীখি। ফিল্ম অসিগী ম্যুজিক গোসে মীতৈ, প্লেবেক বেদবতি অমসুং গোসে, কেমেরা মায়পাক, ইদিটিং তরুন মঙাংনি।

এম বাবাতোননা ইবা এল হিরলালনা দিরেক্সন তৌবা মংলান ফুরা কৌবা (১৯৮৫-৮৬) লাইরিক অমা ভিদিও ফিল্ম ওইনা নম্বা হৌগৎপগী পাউ ফংখি। অতোপ্পা অমনা হোজাইদা য়ুনাইটেদ ফিল্ম প্রদক্সন এন্দ কলচরেল সোসাইটিগী বেনর মখাদা ষ্টোরি, দিরেক্টর, লেরিসিস এল গুলাপ অমসুং ম্যুজিক মনিকুমারগী মণিপুরী টেলি ফিল্ম *নুংশি ঈচেল* কৌবা অমা কুমজা ১৯৯৫ গী জন্যুৱারিদা মুহরুট তৌবগী পাউ ফংখি। লাইবক থিবদি রিলিজিংগী পাউদি ফংজদ্রি। কুমজা ১৯৯৯ গী নবেম্বর ৭ তা হাইলাকান্দি জেলাগী লালদা দিপক শর্ম্মা মশামক্লা দিরেক্সন পীদুনা অঞ্জন লুৰাংনা ইবা *হিকথখ্রবা শম্লুল* হায়বা পুং ২ রোমগী ভিদিও ফিল্ম অমা পুথোকখি। ফিল্মসিদা শক্তম লাংখিবশিংদি অজিৎ, শিল্পি, পরিমল, এন অমুসনা, ঐচ রাঘব, এ ঙৌবরেন, শান্তনা, ঋতেশ, এস বিক্রমনচিংবনি।

মণিপুরদা নম্বা মণিপুরী ভিদিও ফিল্মগী অশেংবা মশিংগী রেকোর্দ ফংজদ্রি। অখণ্ড অহৈ খরনা হায়, সেকমাইনা মহাল্লে। অফংবা রেকোর্দ অমদা ওকেন অমাকচমগী দিরেক্সন মখাদা পুথোকখিবা *উরিৎ নাপংবী* কৌবা ঈশৈ য়াওবা, ফিল্ম অমগী মওংদা পুথোকপা অদুনা মণিপুরগী ইহান হানবা ভিদিও ফিল্মনি হায়নৈ।

ফিল্ম ইনষ্টিট্যুট ভিদিও ফিল্মগীসু লৈরিবা সেন্টর অমদি রাজ্যগী সরকারশিংনা স্কিম অমমম তঙাইফদনা শেম্ফম থোকপনি। কান্নবগীদমক ভিদিও পার্লর চাউখৎনবা হোৎনবীগদবনি। টিকেট খুদিং এম্যুজমেন্ট টেক্স হাপ্পুনা য়োল্লবদি মদুগী কান্নবদু গভর্ণমেন্টগীনি। ভিদিওদগী কান্নবা লৌবা অমসুং ভিদিও ফিল্ম তেবা কাঙবুদা কান্নবা পীবা ঙম্বা গভর্ণমেন্টদু মায় পাকপা গভর্ণমেন্ট ওইগনি। হৌজিক্তি মণিপুরী দিজিটেল ফিল্মগী অকনবা ঈচেল চেন্থরি।